ৱারীমচা

পিকনিক

- এলাংবম দীনমনি

ঙন্তানা চৎসি হায়নখ্রগা, তৌরে মৈতৈগী পুংফম। থেংলপ লাক্লরে, থেংলবদি হোবে হোবেরোমদা, তৌদে; আলে-জালে তৌদুনা মতম খরা অমুক হাৎলে। উচিন-নাচিন্না পুন্নমক লোইরদুনা ঙল্লপ পুং তরামাথোই খরা হেল্লকপগী অদুদা খোঙশাল্লক্লে।

মাইল অহুম মরি থৌরকপগী অদু ফাওবদি নোকই-য়া-য়া অমনা ঙাঙলকই নুঙাই, অমনা খুন্মী মনুঙাই; ফাগি ইনৎ হেক নত্তবা ৱাঙাঙদসু মী য়োৎলমদাই গুম্ভীরগী মখামুক লাওনা কাদুনা নোক্লে। য়ুমদগীদি খায়ননবা শেল পীয়ু য়াদদুনা কোইপু পুদুনা লাকপা কাঙবু অমসু য়াওরিবনি। ঐসু হায়জল্লুরবগী লাকশল্লবা হায়বদুনি, ইমাগা লাউনবা মতাং অদুদদি মখোয় অহল লমনগী কল্লক পেনবা থা অহুম-মরি ফমুংদগী শুকহেন হেন্দোকলোই খল্লুরবনি। উচিন-নাচিন্না পীরল্লুবা অদুতদা খরা খরা নোকপা হৌরিবনি। হূ তরেৎ খারম্বা ইমা অদু খংনুং নুংশিরকই।

মাইল তরেৎ নিপান থৌরকপগী অদুদা, পোইনুগী নুমিৎয়ুংবা মতম অদুদা তৌথোক্তবা তৌরকপগী হৌনবা হূইনাওনা কালেনগী মৈশা খাঙবদা মরৈ তমদুনা হিগৎপদু মঙায়রে, ঐখোয় মঙামক ৱা-সু ঙাঙখিদরে লাংসু লাঙনখিদরে। খজিক খজিক য়েংনব'দু মঙায়রে।

ক্ষেত্রি মঙা চৎপগী দষাদো তাবা মচিনমনাও মঙাদা নত্তে, ইকুই কুইদে। মাইল তরাগী য়ুংলম্বা নুং অদুগী মনাক্তা ঐগী ওইদা খাব্রাং থৌরিবা শ্যামনা মনিংদা শোথহৌবা তোম্বা য়েংলুরিঙৈদা মমাঙগী চাকা অদু ফেৎ ফেৎ হাইদুনা ঐগীদা ঈনশিনবিরে। মাগী খুৎপায়ফমদা য়াল্লিবা খাউ অদুগী মরিদা ঐগী ব্রেক খুৎপায় অসি লৌখিদুনা লৌথোকপা হেক নংহৌদদুনা কতন্না থোনবা মখোঙ চেত্তবা লৈরঙ ষন্না ৱাইশিনবদা কিন্থরকপদৌনা লোইরোইনা বো-ম।

-"খরা লাপ্পা থৌবা য়াদ্রো, করিগীনো নঙনা ঐবু মশক মতৌ ফজবী ছাত্রী ওইরবোই নিংব্রো! ফরেদনা 'সিদি। চেঙ অসিদি নপা লাক' খুল্লদ্রা? নঙ খুল্লু-। হৌজিকপু কৈথেল লৈবা মফমসু নত্তা, লৈরে অমুক খায়গৎনবা...?"

চফু কায়রবা অদুদদি ক্বাক হেক্তা ইল্লি, হরাওনবদি উদে। তৌদবদি য়াদবনিনা ইতৌ হেক তৌনিংদনা পেহৌ পেহৌ ময়াম চঙদুনা খুনমিন্নরে অমদি মাগী নুপী কাদা য়েৎপদু মঙায় শাউরিবা।

কমদি তৌনি। শোয়খ্রবদি শোয়খ্রেদনা; উপায় লৈতে। চাক্লা লামলিবা লৱাই শাৎলে। ঙরাং নুমিদাং থেঙনা খরা য়াবোই য়াদবোই চারকপা অদুসু মাইল মরিগী নুংয়ুং অদুদা লোইনা তুমখ্রে। অমুক থৌথরক্লে।

কদায়দা থোং-থাক্কদগে খন্নবদসু মণিপুর এসেমব্লি হোলদা সভাপতি য়াওদনা ফম্বা মিটিং'দুমঙাই। অমনা হায় অস্বায়দা ফরে, ৱারে চৎলগুমসি, অমনা এ, তু আ-দা তৌরসি, ঈশিংসু অরূবা লৈরে; অমনা হায় শীং থিবা ৱারোয়দবা মফম য়েংসি। অমনা হায় অমনা তাদে; অমনা ঙাঙই অমনা লৌদে তৌরম্বদগী উচিন নাচিন্না অচাবা মফম অমদ পুল্লপ য়ানরে।

চাকহোয়না লামলল্লুবদা তনব-কা চৎনদে। য়ুমদদি চাক অথোংবা অদু ফাওবা থিরমদে হায়দুনা তনবদগী শাউবনা লাউজবা ঙম্বা কাঙবুনি। অদুবু অনৌবী মৌ'দু মঙাইরে, অমনা নুং অহুম থোক থোক য়ুংদুনা লৈরঙ শেন্মী, অমনা ঈশিং শোক্লগা চফু অমখকতু থোক থাঙ্গৎলি। অমনা শাউরপ হায়-"হে-রা হৈরেদা! নঙ মঙায়রে থোংবা হৈবা; মৈ হৌগত্রিঙৈদা চফু থাঙ্গৎলিবা-মুল্লেহে-থিরো-।" "-হৌগৎতৌরে হায়না তৌনিদা, নঙবু ঈ- শাগনুদা খরা চারগা ঈংগনি। সে সে তৌরো।"

ঐনবু হংই চাক হান্না থোংসিরা, এনশাংনা হানসিরা-? মায়কৈ মরিদগী মোৎ কয়মরুম লাকই। অমুক্তং হায়রগা য়াব'দুদা চাক চানবগী মতাঙদা য়াম্না শীনগনবী মৌ-ময়াই'দু মঙায়রে, এনশাং হান্না থোংসি, চাক্লা হাললু; এ অনীমক পুন্না হেক্তা তৌসি থেঙলে। মমৈথঙদা ইরোনবনা হান্না ফুৎলগা লোল্লিঙৈ কৈদৌরিঙৈদা ঙাক থাঙ্গৎসি হায়নরে। চুম্মি ফরে। হঙ্গামসিদি থোংগুমসিরা? এ, থোঙলে ফুৎপদা হাপ্লো, ময়ান'দু য়ামদে, খর'মা লোল্লগা খরনা চমফুৎ ওইনা চারসি।

থোংবসি পাক মুন্দে; অদুঙৈ চনুরা অমনা থৌদু ফুৎপদু মঙায়খ্রে। মুনমন্দেদা হায়দুনা হাংদোক হাংদোক য়েংবদা চফুদি মথন্তনি য়েংলিবনা ঐখোয় নহাঙাক্তা মঙানি, অদুসু চঙ-চঙ লাউরিবা। হেক য়েংবদা হঙ্গাম অদু মুনবদি হায়রুনু মরা চৎতুনা ইরেন হৌগৎলক্লে তদেক-তদেক। উচিন নাচিন্না আলু অদু চরাম্ন রবা নোংশাগুম থৌনা লৈরবা মপাঙ্গল ফরবা তোম্বনা মাগী অয়ুক হেক হেক থাঙ্গৎপা হকচাং শাজেলগী নুং অদু থাঙ্গৎপদা কারকপা শিংলি অদু হেক কাবমখৈ মেৎপদা খরদা নত্তে। ওখাক্লা কুৎলে। মহী খরা য়াম্না হাপ্লগা য়ারনি ঙাঙনদুনা হৈদোক্লগা লোনবা নৈবা হৌরে।

চাক থাঙ্গৎনবা ঈশিং শোকপা নুপা অদু ওন্থোক্লা থুনা য়াঙনা হল্লকই। মঙালগী খোঙচত্তা থৌদাং পাঙথোকপগীদমক মাবু হন্না হন্না থাগৎনখি।

চেঙ অদু চাম্মি খঙদে, চামদে খঙদে জ্রো। ফরে পিকনিক হায়বা অসিদি পংহাউদা হাউবনি। শৌদেদা শৌদেদা য়েংনরম্বদগী শুকহাং হাংদনবা ৱাশক লৌনদুনা থল্লে। অকোনবা হাংদোকলুবদদি মহী ঈলাং লাংনা কানম নমলম্মে। মৈ, মৈ-মৈ মৈদো কনমল্লে শত্তোকউ।

য়াম্না কুইনা, কৈথেল কাবীনা খোঙনাংমখোংদা হৱাগাড়ী ঙাইবগুম ঙাইনরুরবা মতুংদা মুল্লরিনি হায়নরে। এ, ফরে, থিরসি থিরো, নঙ-নঙগী লা পায়রো, পুল্লপ থিদোক্লগা অপাকপা লৈতবনা।

তাবদা মথৌদা হকচিনখ্রবা থৌদা ঙাইনরম্বা সিপাহীগী মীওইমচাশিংদু মঙাই, চীংশু মনা অদু মাগী মাগী হেক্তা লৌনৈ। হেক্তা শেন্মি। চফু অদু থুগাইবা পাম্মুই হায়দুনা শম্বল উয়ুং মানবা খাবৈ অদুনা ওৎলগা মাগী মাগী শরুক হাপ্নরে। মাগী মাগী কোৎলগা এনশাং থল্লিবা অদোমদা হোৎচন্নববু অচেনবা উচি তন্না হৌদোংনা হুল্লকপদু মঙাই। অহানবদা চখোম হেক হুকপদা অমনা হায়রমই-

- ঙসিগী ইরোনবা অসি ঙারী হেল্লে।

- হা! চাক্তনি, চাক্তা ঙারী ঙান্দবগুম তৌবদায়, হৱাইজার থাকপ্রো?

-অঙাওবা! চাক্তবু হৱাইজার থাকপ্রো! চান্ননা নল্লে। চুম্মী পোইনুগী নুংশাদা চাবা হৱাইজার চগেমপোম্বা মনম নম্মী। লামগা লাম্বগা মনমদু হৈনবা ঙাক্তগা ওইবগা মবুক লাম্লবা ওক্লা ফত্ত হৌদিদা মচীন থুম্না থিংজিল্লগা হাবদু মঙায়। হাউখ্রেদা! হাউই থাজদনা হাউত্র? হাউই। হৈখ্রেদা, চাক থোংবা হৈ।

ঐখোয়মা ঙাঙনবা রসকী মহাও তাবদা কোন্না চাক থিহৌবা শ্যামদি ঙাইঙমদ্রে। চফুদা কোৎলগা চাবা হৌরে। ময়ামগী ময়ায়দা লৈরিবা, ইরোনবা অদু কল্লগা চফু মনুংদা হাউনা তোৎলদুনা হায়রকই, "হৱাইজার মনম নত্তে, চাক অসি চাকহাও খরা য়াল্লকপা য়াওরে। চীংগী ঈশিংগা চাকহাওগা অনীগী মনম্না অসি তাবনি। মনীংদদি লৈহাও লৈরেল মনম নম্মী। হাউই।"

অসি হায়না চখোম চাউনা চারম্বদগী চপ লেপ্লগা চাকথোং চফুমনুংদা মুন্না য়েংলগা লাউরক্লে -

- লৈরে, য়াওরেদনা, য়াওরে, হো লৈরেমহৈ।

ঐখোয় মরিমক চখোম উল্লগা মঙোন্দা পুল্লপ য়েংই। শ্যাম ঙাইহাক ৱা ঙাঙদে। ঐখোয়রোমদা শংত্রিক চাথোক্লগে মতাগুম য়েংলকই। অমনা করিনো হংলুবদা পাক খুমদে, তাক্তে ঐখোয় মরিনা মথং-মথং হংলবা মতুংদা য়েৎনা কোল্লম্বা চফু মনুং অদুদা মখুৎ ওয়থংবা অদু তপ্পা থিংজিনখরে। য়েংনরিঙৈদা তপ্পা লিল অহাৎপা অমা চিংখৎলকপদৌনা লোইরোই লোইরোই চিংখৎলক্লে; হৱাইজারগী মনম ফু-ঙ। শামতুদা লংজম্না হেল্লপ য়াল্লবা চহী কয়া লৌথোক্তনা উপ্পদা শোগাইরল্লুবা, তনগনখ্রবা সিপাহী অমগী বুট মনুংদা উপ্পদা শেগাইরল্লুবা, খোঙমোজা নামা ওইরল্লে।

ঐখোয়দি খরবু চাহৌরবনি। শ্যামদি চখোম অহুমদমক হুকলমগনি। মানা চাকথোং চফু অদু য়েংল য়েংলগা হন্দোকপা অসি ময়াঙ অদু খুবী অমুক্তা ঙাইরে, মমিৎ মনা অদু কুশিৎ।

অসুম্না পিকনিকনি হায়দুনা থোক্লুকলগা অয়াম্না 'পেনিক' নম্বো পোদুনা হল্লকখি।

*(অইবগী ৱারীমচা অসি চোংথাম মনিহার সিংহনা খোমজিনবা **মতমগী ৱারীমচা** লাইরিক্তগী লৌথোকচবনি।)*

শৈরেং

পোক্লফম লমদম

চিংঙাখম ময়ুরধ্বজ

নিংথিরবী নুজাগী
ঙক্তা শিবা লৈতেংগী,
সনা লিকফাং মরক্তা,
অমতা থানবা মণিগুম,
নিংথিবা মফম লৈরিদা,
মালেম লৈকোয় নুংশিদা।

প্রকৃতিগী শান্নফম,
ফজবগী হৌরকফম,
নিংথিবগী তুঙনফম,
নুংঙাইবগী পোকনফম,
হায়নরিবা মফম অসিদা
অনিশুদে মালেমদা।

মীরৈবাক্তি অচৌবা
ফজবনা তিল্লবা,
ফুরা দলান্না লৈতেংবা
সানা রূপা ৱাত্তবা,
নিংথিবা দেশতা লৈদুনা
কাউবা য়াদবা মফমনি।

অচৌবা নিংথৌ কনানা
য়েংশিল্লক্তুনা মাঙোন্দা,
লানতারকপা মতমদা
মাবু ঙাক্তে নিংদনা,
ইরায় লাঈনা থাদোকপা,
অয়ম্বা কনা লৈরোইদা।

য়ুমগী ৱাখল তুংওইনা
মাগীদমক্তা, হায়দুনা,
লানফম ময়াই থোক্তুনা
য়েক্লুবা মাইয়োক থাদুনা
লান্দা থৱাই থাবদা,
চিংনবা করি লৈনদে।

মালেমদা অনি শুদবা
অমত্তা ঙাঈবা মফমনি,
মাগী মগুণ অচৌবা,
থাদুনা ঙম্মোই কনানা
স্বর্গদগী হেনবীনি,
হাঈনরিবনি ময়াম্না।

থাগৎমল্লি হায়রগা
করম্বা মফমনো থিরগা,
হংঙু হংঙুবা খুদিংদা
তাকচরক্কনি খুদক্তা,
মীওইবগী নীংনফম,
পোক্লফম লমদম হায়দুনা।

● *(কবিগী শৈরেং অসি প্রমোদিনীনা খোমজিনবা **কবি-তর্পন** দগী লৌথোকচবনি।)*

ঈ মখাক

যোদ্ধচন্দ্র সনসম

ঈদুনি
শেংদোক্কদবদি,
অচু-অরাক, মরেক মখাক চামথোক্তুনা
ঈ অশিবা চেল্লিবা ঈ মরীল শিংলীশিংদা
ৱাহৈগী কেমিস্ত্রীনা
মীওঈবা তাইবঙগী ৱাহন্দোক্লা
তাইবঙ খুন্নাইগী মীনুংশিনা;
ঈরমদমদা শীৎলিবা নুংশিৎসে
অশেংবা, অমেঙবা মালঙবা ওইহন্দুনা।

থম্মোয়দা, শিংলীশিংদা
ঈ মরীলশিংদা,
চেল্লিবা ঈসে
ইমু নাইমুগী মনম চেল্লক্লিবসে
য়াওখ্রমাল্লে
শেরান্ননা তোৎশীন্নখিবা খরা
দি এন এ খরদা অতৎ-অকায় থোকহনখিবা
ঈরমদমদা শীৎলক্লিবা অমোৎপা
নুংশিৎসিনা।

লৈরক খুল্লক, চীংখোঙ চীংয়া,
অকোয়বগী মালঙ,
ঈখেঙগী মনম মফম খূদীং,
তিংহল্লিবা লন থুম মীয়ামগী;
হংনদ্রি,
ৱাহঙ কনানসু।
ঙমদে থিংহৌবা কনামত্তনা
থৱায় লৌথোকপনা হানখ্রবদা,
থোক্লি, লেপত্রি
মীহাৎপগী থৌদোক
চঙদে চৈরাক
হেনগৎলক্লি মীহাৎ মীশি।

কনানো লৈহৌগদৌরিবসে?
লোইশিনখ্রে খাঙঙুথক্তা
মশাগী থনুং-য়াৱাখোল মতুং ইন্না চৎচবা
থৱায় কয়াবুসু;
কনা কনানো তুংগী য়ুম্বীশিং?

লৈবাক পূংজাও থীল্লদুনা
লাউথোক্লুরক্লি অথীংবা কয়া
খুৎপু মচা মচা কয়ানা;
খুৎপু খুদীং
নিংথৌরেলগী মতীক ময়াঈ লৌরদুনা
শলহৌই শাজে পায়রদুনা
পীরক্লি চৈরাক,
লিংলক্লি ৱাখৈ পথাপ।
লাউথোক্লকউদনা থিংলে হায়না
মীহাৎ মীশিগী ঈখেঙ চাইখাইরক্লিব'সিদংগা
ঈরমদম্না মীহাৎপুং ওল্লক্লিব'সিদংগা।

শেংলরোই
শেংদ্রবা ঈ
ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন হঞ্জিন হঞ্জিন পীরবসু।
শেমজীনবা তাবনি হৌজিক
হান্নগী শৈহৌদুদা
মাগী মাগী মফমশিংদুদা।
কোক মনুংগী অথোৎপদা
য়েলহৌ মীহৌরোলদগী য়াওরল্লুবা
কম্প্যুতরদুদা;
হাপচীনবতাই
অনৌবা সোফত ৱেয়র অমা
দি এন এগী ছী দি দ্রাইভ প্রোগ্রাম অমা;
লাকশীন্নবা
মফম চানা চানা চেৎশীনহন্নবা
ঈচায় চাইথোকখ্রবা দি এন এশিংবু।

● *(কবিগী শৈরেং অসি মহাক্কী শৈরেং লাইরিক **নঙগী শমিন্দুনি চান্নবী** দগী লৌথোকচবনি।)*

লাইরিক্কী মপাউ

পুন্সি হায়বসি নুংশিবনি

লাইরিক্কী মমিং ঃ নুংশিগী ঈচেলদা পৃথিবীগী অচৌবা মীওই খরগী পুন্সী
অইবা ঃ খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ
লাইরিক্কী মখল ঃ অতেনবা নুংশি নুংওনগী ৱারী মঙাগী অপুনবা
অফোঙবা ঃ অইবা মশানা *ইমাখোল, অৱাং পোৎশংবম* গীদমক্তা
মমল ঃ লুপা ৯৫/-
চহী ঃ ২০১১

মশক তাক্লিবা ঃ **আর কে গুণচন্দ্র**

খুরাইজম নিমাইচরন্না ইবা ৱারেং লাইরিক *নুংশিগী ঈচেলদা পৃথিবীগী অচৌবা মীওই খরগী পুন্সি* হায়বসি তশেংনমক পারুবদা পূক্ন ীংদা ইথা থাজদনা নুংঙাইবা পিবা লাইরিক অমনি। লাইরিক অসি ইমাখোল, অৱাং পোৎশংবমনা ২০১১ দা ফোঙখিবনি। নিমাইচরন নোবেল, ঈশৈ শৈরেং, ৱারেং ইবদা থোইদোক হেন্দোকপা পিথোরকপা মীশক অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লুরোই। অইবনা মাগী ৱাহৌদোক পিরদুনা হায়রি *নুংশিবা মতম পুন্নমক্কী ওইনা মীওইবা খুদিংগী পুন্সিগা শাগোন্না লৈরিবা পূক্নীংগী থোৎলবা ইহুল অমনি। মখলদি য়াম্মী, ইমা ইপা, ইচিল ইনাওশিংগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশিবা, ঈশ্বরগী ভক্তি প্রেমদা লৈনরিবা নুংশিবা, ইরৈবাক ইরমদমবু নুংশিবা, তোল্ল তারবা, থৱায় পানবা জিবশিংবু নুংশিবা অমসুং নুপা নুপী, শাবী শানৌশিংগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশিবা অসিনচিংবনি।* মহাক্লা ইরিবা অসি শাবী শানৌশিংগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশিবা অসিদা পান্দম থল্লগনি। মীওইবা পূন্নমক্কী থম্মোয়নুংদা লৈনরিবা মশক উবা ঙমদবা এপষ্ট্রেক ওইবা নুংশিবা হায়বসিদা মায়ওন থল্লগা লাইরিক অসি ইবনি। ৱারী খর অসি হন্দোকপা ঙাক্তনি হায়বসু য়াদে। মশক নায়বা কয়াগী ময়াম্না খঙনবা নত্তবা অতোপ্পা মশকশিং অদু লাইরিক অসিদা ইবদু পারুবদনি অপাবশিংগী থম্মোয় অসি হুমদুনা পুরিবসি। পুথোক্লিবা ৱারী খরসিনা মালেমগী লৈরিবা ৱারী পূন্নমক লোইবদি নত্তে। অতৈ কয়া অমসু লৈরিবনি। ঙসি তাইবং ফাওনা ঙাংনরিবা, খঙনরিবা অসি নত্তবা কয়া অমসু ইরোন্নুংদা লূপ্তুনা লৈখিবা কয়া অমসু মশিং নাইদনা লৈরমগনি। নুংশিবা হায়বসি চহী কয়াদগী লৈরক্লি, হিংদুনা লৈহৌখিনি মীওইব তাইবঙ অসিদা। অশেংবা নুংশিবা হায়বসিদি পুন্সিদা পঙথোক থোক্তে হায়বগী মতাংদা চার (১৯৪৬) কৌবা ইংরাজি স্কোলার অমনা হায়রম্মী *If grass can grow through cement, love can find you at everytime in your life.* বিলামাতিগী লৈমায়দসু নাপী হৌগৎলকপা ঙল্লবদি নখোয় ঐখোয়গী পুন্সিগী মতম অয়াম্বদা নুংশিবসু হেক্তা ফংবা য়াগনি। অশেংবা নুংশিবদি য়াম্না অতাঙবা পোৎশক্লি, ইরাই লাইবা নত্তে। অইবনা কনানা কনাগা নুংশিবগী মরী থম্নখিবা অমসুং নুংশিবগীদমক কদায় ফাওবা কথোকপা ঙম্ন খিবগে হায়বদু মরীক চুম্না অপাবশিংদা খঙহল্লি। লাই-হাক্তকতগী হৌজিক ফাওবা চাদা নাওদা চথরক্লিবা অসি নুংশিবগী অচৌবা খুদোলনি হায়বসিনি। খুদম ওইনা খৃষ্টিয়ানগী অদাম অমসুং ইভ, দ্যুজ অমসুং নেচর, য়িং অমসুং য়ং অসিনচিংবা ৱারী কয়া অমসু লৈরিবনি। নুংশিবগীদমক থৱায় ফাওবা থাদোক্লরি। অইবনা হায় "নুংশিবা হায়বসিনা নুপা নুপী অনীগী মরক্তগী হৌরক্লগা মথঙ মথঙ লৈবাক্কী ওইনা, লন থুমগী, ইকাইখুম্নবগী, মিংচৎকী, মহৈ মশিংগী অমসুং লাইগী মফম্নচিংবা মরম কয়াদসু খাইদোকখি।"

মরৈবাক নুংশিবগীদমক থৱায় কৎখিবা, লন থুমগী হাৎনখিবা কয়া অমা য়াওরি। পূম্নমক অসিদগী হেন্না ৱাংলিবা নুংশিবদি মীওইবগী থোৎ নৌরবা ঈহুল পোকহনবা নুংশি-নুংওল অসিনি। লয়লা-মজনু, রোমিও-জুলিয়েট, সোহিনি-মহিৱালনচিংবা নুংশিনবগীদমক থৱায় থাদোকখি। পৃথিবীগী শক্লাইরবা মীওই কয়াসু লৈবাক্কী ওইবা চিল্লবা থৌদাং কয়াগী মরক্তা নুংশি নুংওনগী মরী থম্নখিবা কয়াসু অইবনা মাগী লাইরিক অসিদা পাউদন্লি। মতাং অসিদা কবিরদাসনা হায়খিবা অমা নীংশিংবা য়াই মদুদি *নুংশিবদি হৈকোলদসু হৌদে, লৈকোলদসু শাৎতে কৈথেলদসু য়োন্দে। নিংথৌবু ওইরে, মীচম্বু ওইরে, থৱায় অমগীদমক থৱায় অমা কথোকপা ঙল্লবদি নুংশিববু ফংবনি।* নেতাজি সুভাচন্দ্র বসুনা স্বিটজর্লেন্দগী হোস্পিতাল অমদা লৈরিঙৈ, মহাকপু সেবা তৌরিবী নর্স অদুবু নুংশিখি, মখোয় অনী নুংশিনখি। খঙহৌদনা সুভাস, মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখলনা কৌরল্লুবদা মখোয় অনী থুনমক কায়নবা তাখি। মখোয় অনী কায়নখি অদুবু নুংশিনবা অদুদি মতম চুপ্পগী ওইনা লৈহৌই। মসিনা সুভাচন্দ্রগীসু নুংশি ৱারী লৈ তাকপনি। নুংশিবা মাগী মমলদি য়াম্নমক তাঙখ্রে। অকনবা নুংজাও শৌদোকপা ঙম্মী। ফিল্মগী ফাওরবা এক্টর, দাইরেক্তর অমদি কিং ওফ কমেদি হায়না ঙসি ফাওবদা মীয়াম্না শীংথানরিবা চার্লি চাপলিন্না নুপী কয়াগা নুংশিনখিবগী অমদি মদুদগী থোরকপা থৌদোক কয়া মরীক চুম্না পুথোরক্লি। মশাগী অরোইবা মিকুপ ফাওবদা লানফমদা মরৈবাক্কীদমক মাইরোঙ য়াখিবা জর্মনি লৈবাক্কী হিটলর, মহাক অদুগী থম্মোয়দি নুংশি নুংওনগী লমদা অশুক্কি মতিক থোৎখি। মহাক্লা নুপী মরিগা নুংশিনখিবগী কাউঙমদ্রবা ৱারী কয়াসু লাইরিক অসিদা ইরি। অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ফ্রাঙ্কলিন রুজভেল্ট অমসুং মিসসিগী নুংশি ৱারী ময়েক শেংনা ইরি। অমেরিকাগী অফাওবা প্রসিদেন্ট জোন ফিটজরালদ কেন্নেদিগী য়াল্লবা নুপীশিংগা লৈনবা মরীসু শুগায়না ইরি। মদুগী মনুংদা পামেলা টর্নর, মেরি পিনচোত মায়র, জুদিথ কেম্পবেল, মেরিলিন মোনরো অতৈ ময়াম অমনি। মেরিলিনগা লৈনবা মরী অসিদি কেন্নেদিগী নুপী জেক্কলিন্নসু খঙখি। কেন্নেদিগী বার্থ দে অমদা মেরিলিন মোনরোনা "হেপ্পী বার্থ দে তু য়ু" হায়বা ঈশৈ অমাফজবা তান্থাদা শক্তুনা জগোয় শাখি অমসুং ঈশৈ হেক লোইবগা প্রসিদেন্টনা প্লেটফোর্মদা কাখৎলগা মোনরোবু থৱায় হকচাং য়াওনা থাগৎচখি। মেরিলিন মোনরো খ্বাইদগী ফজবী ফিল্ম ষ্টার অমনি। পাকিস্তানগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা জে এ ভুত্তো অমসুং হুসনা শৈখ অনীগী নুংশি ৱারীসু ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লি। মীয়াম্না থাক ৱাংনা খন্নরিবা মীশকশিং অসিগী নুংদসু মীচমশিংগা মান্নবা নুংশি নুংওলগী ৱাখল তুংদুনা লৈ হায়বসিনি অইবনা উৎপা পাল্লিবসি। নুংশিবা হায়বসিদি চহী লৈতে, লায়র-ইনাকখুনবা খায়দে, জাৎ-বীজাৎ নাইদে। অশেংবা নুংশিবদি নুংশিবগীদমক থৱায় থাদোকপদা অকিবা লৈতে। অইবনা "নুংশিবগী খমথেংবদি ওইজবা থাদোকপনি। মসিগী ঙমখৈ নাইদে, মদু ফাওবনি হায়বগী অরেপ্পা লৈই চিংদে" হায়নিংই। নুংশিবগী মশকশিংবু ময়াম্ন া পাবদা নুংঙাইনবা ইবিরিবা খুরাইজম নিমাইচরন সিংহবু পূক্নীং থৌগৎফম থোকই। মখা তানা ৱারেং লাইরিক কয়া ইবিরক্কনি হায়না থাজবা থমজরি।

হন্দোকপা

শোয়বদগী

হান্নগী মখা ...

হিন্দীদা ইবা- গোরা পন্ত 'শিবানী'
মণিপুরীদা হন্দোকপা- **লৈমপোকপম বেদান্তী**

কয়াদা নুংঙাইখ্রবা, ঐগী লমগী মী লাকপসিদি, উচেক ওইরবফাওবদা ঐগী লমদগীনি হায়রবদি ওন্থোক্লা নুংশিখ্রে! চহী কুন্থ্রা শুজিল্লকলে কলকত্তাসিদা লৈরকলিবসে, ঐগী চীংগী লমদমদু উনিংবনদি ঙকই। ইবুংঙো হৌজিক্তি চীংগী লমসু য়াম্না হোংলল্লগনিদা!"

হোয় গিরীশনা হায়রকই " খরদি হোংলে।" "হোয়নে, অদুনিনে। অদুবু ফনা য়াম্না হোংলবসু চীংমী হায়নদি অদুম মকৌরেদনা। করিবু হায়গদবনো খঙদেদা ইবুংঙো, ইবুংঙো ঐখোয়দি ইশাগী লোন, চৎন-লোনচৎ খঙলি, অদুবু ইচানুপীশিংসিদি অমত্তা খঙদ্রে পুরা বঙ্গালী লৈশাবী ওইখ্রে। অদুননে মখোয়না চীংগী লমদা ময়ুমবু পাল্লবদি থা মরি-মঙা লৈরগদি মখোয়গী মশাদু কংবনা ৱাচেৎ তংখায় ওইরে। অতৈ পুন্ন মক্কী থবক লোয়না লোইশিনখরে,শুপ্ন তংগী তিপ্পী-দিপ্পীগীদং ৱাৎলি।"

তিৱারীগী নুপীনা ঙাংলিবা ৱাঙাং-শাঙাংদু খোঙউপ য়োনবা দুকানগী পোৎয়োনবনা মাগী অরোইবা অতাংবা খোঙউপ জুরা অদুগী মরমদা লৈহৌরো নত্রবদি মীনা লৈখ্রনি হায়না হায়বগুম্মী।

"ইবুংঙো মসি ঐগী মরিশুবা ইচানুপী ফাইবোক্তুগী ষ্টডীনি।" মানা স্বর শাংনা হোন্দোক্লদুনা গিরীশকী কাদুবু য়েংলদুনা হায়রকই- "মসি কৃষ্ণনা য়েকপা "কশ্মীরগী উবর্শী" গী পেন্টিংনি। নহা ওইরিবা কলাকারশিংগী কাঙলূপ্পু পুরদুনা কিসনাদু রুসিয়া য়ৌরুরে। অদুগা সিনা কাবেরীগী তানপুরানি। য়াম্না পামজনা ঈশৈ শকপা তমহনবনি, অদুবু পুন্নমক অরেম্বদা তারে। অমনা অলমোড়াদা অদুগা অমনা রানীখেটতা ময়ুম পাল্লে! কুমাউনগী মীশিংদুগা তোৎন-তিন্নবদগী মখোয়না হেন্না চীংগী মী ওইখরে। য়েংউ, নখোয়গী কাকাসু লাক্লে।"

কার অমা খামখি, গিরীশনা শেম শাবা নংহৌদ্রিঙৈদা তিৱারীদু চুমদ্রিং মাগী কাদা চংলক্লে- "য়ৌরক্লে, ইবুংঙো, মী লাখ-লাখ তিল্লবসু ঐদি নঙবু ইরায় লায়না নশক খঙবা ঙমগনি, পুরা নঙগী নপাইবুংঙোনিনে।"

মসি হায়রদুনা মানা গিরীশবু কোনশিনবীরম্মী। "চৎলো, চৎলো, পুং অমা তাখরে, চাক হান্না চারুরসি।" মসি হায়রদুনা মাবু চাক চাফম কাদুদা কোনবীরদুনা পুরে, হেক য়েংবদা চহী লেংগা মান্নবা কুইনা উন্নরুদ্রবা মমান্নবা অনী চৎমিন্নবগুম উরে। তেবল মথক্তা অচৌ-অচৌবা লুপাগী পুখম মথক্তা থল্লিবা পুরী-কচৌরীশিংগী মরক-মরক্তা লৈরীবা লংত্রিক লংবা তেংকোৎশিংদা হাপ্লিবা মখল-মথেলগী এন্সাংশিংদগী নুংশি-নুংশিরবা মনম থোরক্লি। তিৱারীগী নুপীগী খোইথুম্নরবা ৱাহৈগী মথেলসু লেপ্পা লৈতে,-" সিগী, আচারসি খরা চাউ ইবুংঙো ঐগী ইচানুপী কিসনা না শেম্বনি। অদুগা সিগী পাপড় অসিনা মারৱাড়ী রিলিফ সোসাইটিনা শাবনি। ইহে, রায়তা সিদি লৌদ্রবরো? ইহে, নঙবু করম্বা চীংমীনোনে! ওন্থোকপনি! পুরী অনীখক চারগা নবুক থল্লবরো! বহাদুর, সাহেবতা বরফ হাপ্পা ঈশিং পীয়ু। রামসিংহ, অশাবা কচৌনী অমত্তা পুরকউ। শ্যামসিংহ অরেম্বশিংসি 'ফ্রিজ' দা হাপচিল্লু।"

তিৱারী মতৈ-মনাওগী মীনুংশি অমদি এন্সাং মথেলগী মরক্তা গিরীশতু ইরাক্লরে। মসি তিৱারীগী মীকৌ মীরম নত্তে, বাবরগী হৈশিংবা অমসুং তুগলক্কী লালোংনি। উপায় লৈত্রবা ইঞ্জিনীয়রদুবু মায়কৈ মরিমক্তগী কোয়শিল্লগা অরোইবা মরু ওইনা কাপশিল্লকই-"লাকও-লাকও তিপ্পী-দিপ্পী, মখোয় অনীসি ঐগী খ্বাইদগী অতোনবী ইচানুপীশিংনি অদুগা মানা ঐগী য়াম্না নুংশিখ্রবা মরুপ অমগী নুংশিখ্রবা মচানুপানি।" ময়াদা হুকলম্বা চখোমদু থাদরগা গিরীশনা য়াম্না নোল্লুক্লা মখুৎ লোন্নদুনা হৌগৎকে তৌবদা তিৱারীনা মখুৎ চিংদুনা ফমহল্লে।

"দোন্ট বী ফোর্মল। নয়ুমদবু অদুম্না তৌবা হৌনবরা! তিপ্পী-দিপ্পী সিদা ফমলোলাউ।" মসি হায়রদুনা মানা মখোয় অনীবু গিরীশকী মমাংমক্তদা ফমহল্লে। গিরীশনা মখোয়বু অমুক্তং য়েংলুই, অসিগুম্বা মীৎ লাওবা-নাতোন তুম্বা অসি চীংদদি য়াম্না তাংনা উই। কুচু ঙৌবা হায়বসিমদি কুমাউনগী মীশিংগীদি পোকপদগী য়াওরল্লুবা অধিকারনি, অদুবু তরাও তরাওবা মীৎ, তুমতুক তৌবা নাতোনগী মখাদা পীকতক তৌবা চীনবাল অমদি কামদেবগী লীরুগুম খোইখোয়বা পীশুম। খ্বাইদগী ঙকপা অমনা মবান্নীনা নোকপগী খুনোক অদুসু চপ মান্নে। মচু চপ মান্নবা লৈ মচুগী শাড়ীদুদা অনীদু অশাৎপা গুলাপ অমত্তংগী লৈনা অনীগী মতৌগুম্মী। মমিংনা তৃপ্তি অমসুং দীপ্তি। মখোয়গী অপোকপীনা হায়খিবদু লোয়নমক চুম্মী, মমিংদা নত্তে, মখোয়গী লুরবা মীৎয়েং বেনী লেল্লিবা শম অদুগা তাঁতকী শাড়ী শেৎলিবা খুশেৎ পুন্নমক্তা বঙ্গাল লৈবাক্কী মমি নিংথিনা তারি।

মখোয় অনীসিবু মখোয়গী মমা-মপানা করম হায়না খঙলমগনি। মহাক্লা মুন্না খল্লি - তপ্ন তপ্ন ৱাখল অমদি লাক্লে। তিপ্পী-দিপ্পীগী খেন্নবা লৈত্রবা শকওংদুদা নোংদম্বনা শকখঙ খুদম অমদি পিক্তক্লা থম্বীরল্লি। মখোয় অনীগী মীৎকী পাশিংদু শাংই অমদি মুশিন মুনা ফজে। মখোয় অনীগী পাল্লবা মরায়বক্তুসু চপ মান্নে। মতুম তাবা খদাঙদুসু অঙকপা ফংনা মান্নে, অদুবু অমগী মখদাঙদা পিক্তকপা অমুবা শম্বু অমদি থুংলি, লোয়ননা মদু তিপ্পীনি। অতোপ্পা শকখঙ খুদম অমনা দিপ্পীদু মীৎকুপ অমত্তং ফাওবা তুমিন্না মফম অমদা ফমদুনা লৈবা ঙমদে। মানা ফল্লম্বদগী হৌগৎখিদুনা লৈ হাপ্তুনা লৈতেংলিবা পাত্রদু অমুক শেমজিল্লুই, মদুদা নত্তে সুপারী হাপলিবা পুখমদুদগী হোপ খুবাম অমা লৌরগা ময়াদা লংশিল্লি। তিপ্পীদি য়াম্না তুমিন্না লৈ, মাগী অসিগুম্বা চীংলেম্বা, ফজবা অসি সনামচুগী উচনদা চল্লিবা নিংথিজরবা অয়েকপা লাইগী মতৌগুম্মী। মাগী শাংতক তৌবা খুৎশাশিংদুনা মাগী শল্লাংশিংদু নাল্লদুনা শান্নরি, অদুগা ৱাখল য়াম্না খনবগী মওংদা তুমিন্না চুমদ্রিং থোঙনাওদা য়েংদুনা লৈরি, অদুগা করিগুম্বদনা অয়োকপা অতেবা হৌদোংগী মতৌগুম সোফাদা কুনদুনা অফংবা লাইরিক পাদুনা লৈ।

গিরীশনা মফমসিদা লৈরকপসি থা অমদি ফারক্লে, অদুবু মা ফাইবোক মচিন-মনাওদুগী মান্নবা শকওং-শাদাদা ককঙাওনরি, করিগুম্বদা ইপা পাখৎনা তিপ্পী হায়না কৌরুই মদুদা মানা ইকায়রদুনা মমায় ঙাংখি। অসুম্না মমায় ঙাংবসিনা মাগী মশক খঙলি। চরাংনবী দিপ্পীনা মরম লৈতনা করিগুম্বদনা কোফী পীবা লাকই, করিগুম্বদা পাউ-চে লৌবা কাদা চংলকই, অদুবু তিপ্পীদি ফিজি-ফিনা তাশিল্লদুনা মঙোন্দগী লোৎ-লোৎতুনা লৈ, মাসি য়াম্না শাথিবা মীগী মতৌগুম্না খল্লবজাৎলা খঙদে। অসিগুম্বা মাগী ইকায়থিবী মতৌসিদা করম্ননো খঙদে গিরীশকী থম্মোয়বু হুখ্রে। *মথং মথং...*

ঈশৈ

নংনা য়েংনবা কেজবনি

নঙনা য়েংনবা কেজবনি
ৱা ঙাঙলক্লবা তপথজবনি,
নঙোন্দা নুংশি হায়জনিংই
নঙনা হৌরকপা ঙাইজবনি।

পাখঙ নাপ্পদা পূক্নিংনা চৈজৈ
করম্বা নূপানো পাঙদবা হায়জৈ,
ইমান্নবীদা ৱারী শাজৈ
খঙবিদে নঙনা মীৎয়েংসিবুদি,
নঙসে পঙই হায়নিংলকই।

থৎসিরা খল্লি থেংনবদা
চৎপা য়ারোই থিংলবনি,
নঙবু নুংশি খঙবিদবগী
থম্মোয় পান্দে হায়নিংই,
কনাদনো ৱাকৎনিংই।

শৈরেংবা ঃ উলেল্ মীতৈ

শকউদবা খূৎনা চিংলিবা লৈই

মান্নবা হায়বসিদা য়াওরি
মচু অমসুং মনম,
অদুবু করম্না খাইদোক্কনি মনম
মসিদগী।

মান্নদবা হায়বসিদসু য়াওরি
মশক অমসুং মমিং,
অদুবু খাইদোক্কনি করম্না মমিং
মসিদগী।

য়েংজৈ ঐনদি মান্নদববু মান্নবা ওইহল্লিবা
মঙোন্দা,
য়েংজৈ ঐনদি মান্নববু মান্নবা অসুম
ওইহনবিরিবসিদা।

শৈরেংবা ঃ দোনেশ্বর কোন্সম

সাহিত্যগী খোঙচৎ

মনিপুর ষ্টেট লিটরেচর এৱার্দ বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমদা



বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমদা গভর্নর ভি কে দুগ্গলনা ষ্টেট লিটরেচর এৱার্দ খুৎশিন্নবা

মনিপুর গভর্নমেন্টনা ষ্টেটকী থাক্তা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা লিটরেচর এৱার্দ শক্লাইরবা কবি বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমদা হৌখিবা জুন ১৭, ২০১৪ দা মনিপুরগী গভর্নর ভিনোদ কুমার দুগ্গলনা খুৎশিন্নখ্রে। কবি অসিগী *তুরেল নঙদি* হায়না মীংথোনবা শৈরেং লাইরিক্তা গভর্নর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ইং ২০১৩ গী ওইবা মনা অসি শীন্নখিবনি। থৌরম অদুদা মনিপুরগী গভর্নর ভি কে দুগ্গলনা মনিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গুয়েজ ওইহন্নবগী পান্দম য়ৌনবগীদমক মচাক মথুমশিং খুদোল তল্লক্লিবা স্কোলরশিং অমদি অইবশিংদা মতিক চাবা ফন্দ পীনবা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চংহন্নিংই হায়না চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোগী পুক্লিং চিংশিনখি।

থৌরমদুগী প্রসিদেন্টগী ৱারোল পীরদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা - ওল্লকপা চহীদগীদি লিটরেচরগী লমদা শক্লাইরবা অহল ওইরবা অইবশিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা লাইফ টাইম এচিবমেন্ট এৱার্দ পীবা হৌরগনি। এৱার্দ অসিদা লুপা লাখ মঙাগী শেনফমসু য়াওগনি হায়না লাউথোকখি। এৱার্দ ফংলিবা বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম্না লৈবাক অমবু অফবা মায়কৈদা পুনবা হোৎনবদা অইবশিংসু চাউরবা থৌদাং লৌরি। অদুবু লমদমসিদদি অইবশিংবু শীংথানবিবা ৱাৎলি। অইবা লৈত্রবা খুন্নাই অদুদি থৱাই য়াওদ্রবা হকচাংগুম্বনি। খুন্নাই অসিনা অইবশিংদা লমন তোনশিল্লবনি। থৌরম অদুদা মনিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা শক্লাইরবা অইবা এলাংবম দিনমনিসু গেষ্ট ওফওনর ওইনা শরুক য়াখি।